জলালাবাদ এটেক্কীতা মীওই ৩ শিরে

জলালাবাদ, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সী) :

অফঘানিস্তানগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা জলালাবাদকী চ্যেক পোইন্ট অমদা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওই অমনা চথুরকখিবা এটেক্তা টালিবান ফাইটর অনী য়াওনা পুন্না মীওই ৩ শিরে হায়না সিক্যুরিটি সোর্ছশিং অমদি উহৌবশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি। অমরোমদা টালিবানগী মায়কৈদগীদি শিখ্রবশিং অদু মীচম ঙাক্তনি। টালিবান ফাইটর য়াওদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা ননগরহর প্রোভিন্সকী মনুং চন্না লৈবা জলালাবাদ সিটিদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। হায়রিবা মফম অসি ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মেম্বরশিংনা মতম শাংনা কন্ত্রোল তৌদুনা লাকখিবা মফম অমনি। মমাং থাদা মফম অসি টালিবাননা খুদুম চনবা ঙমখিবনি। উহৌবশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না, মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওই অমনা রিক্সো তোংদুনা লাক্লগা ঘোচাক দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা চ্যেক পোইন্ট অদুদা এটেক্ট চথুখিবনি।

হায়রিবা প্রোভিন্স অসিমক্তদা ইম্প্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ দিভাইস অমা দিফ্যুস তৌনবা হোৎনখিবা টালিবান ফাইটর অনী অশোক অপন নংখ্রে হায়না টালিবাননা ফোঙদোরকখ্রে। অদুবু থৌদোক অসিগী মতাংদা অকুপ্পা মরোলদি মীয়ামদা খঙহল্লকবপা লৈত্রি। অমরোমদা জলালাবাদতা চথুখিবা এটেক্টশিং অদু ইস্লামিক-ষ্টেট খোরাসানগী জিহাদিষ্টশিংননি হায়না গ্রুপ অসিনা ক্লেইম তৌরকখ্রে হায়রি।

অথুবা মতমদা ইনক্লুসিব গভর্নমেন্ট অমা শেম্বা ঙমদ্রবদি সিভিল ৱার থোক্লবা য়ানা লৈ

ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সী) :

অফঘানিস্তানদা নৌনা পৱার পায়রকখ্রবা টালিবাননা অথুবা মতমদা ইনক্লুসিব গভর্নমেন্ট অমা শেম্বা ঙমদ্রবদি লৈবাক অদুদা সিভিল ৱার থোক্লবা য়ানা লৈ হায়না পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা টালিবান লুচিংবশিংদা ৱার্নিং তৌখিবগা লোয়ননা ইনক্লুসিব গভর্নমেন্ট অমা অথুবা মতমদা শেম্নবা তকশিনখ্রে।

লালনা মরম ওইরগা কাং খোং চাইহল্লবা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ফেক্সন খুদিংমক য়াওবা ইনক্লুসিব গভর্নমেন্ট অমা শেম্বা হায়বসিনা অফঘানিস্তানগী খ্বাইদগী ফবা ওইগনি। হায়রিবা অসি থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রবদি অফঘানিস্তানখক্তা নত্তনা পাকিস্তানদসু অচৌবা চৈথেং অমা লাক্কনি। পাকিস্তাননা মতম লৈবা খিবিক্তা অফঘানিস্তানদা লৈরিবা অফঘান মীয়ামগী য়াইফনবতা খন্দুনা লাক্লি। করিগুম্বা সিভিল ৱার থোরক্লবদি অফঘানিস্তানদা লৈরিবা মীওইশিং মতৌ করম্না অশোক অপন নংহল্লোয়দগে হায়বা ৱাফমশিং অসি পাকিস্তাননা মরুওইনা খল্লি।

মসিদা নত্তনা সিভিল ৱার থোরক্লবদি হৌজিক হৌজিক পাকিস্তান গভর্নমেন্টকা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোক্লিবা খুৎলায় পায়বা গ্রুপশিংনা অফঘানিস্তানবু মখোয়গী বেজ ওইনা শীজিন্নরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মসি পুন্নমক্কী ওইনা তুংদা য়াম্না অকায়বা লাক্কদবা অমনি। মসি থোক্তনবা টালিবাননা ঙল্লিঙৈ মতমদা হোৎনগদবনি। অফঘানিস্তানদা লালহৌবশিংগী মকোল ওইখিবা মতমদা পাকিস্তানদা খ্বাইদগী হেন্না চাওনা ময়োক্লগদৌরিবা খুদোংচাদবা অসি রিফ্যুজিগী ওইবা মরম অসিনি। য়ুমথংনরিবা লৈবাক অদুদা সিভিল ৱার থোক্লকপা মতমদা অহানবা ওইনা রিফ্যুজিশিংনা টর্গেট থমগদৌরিবা লৈবাক অসি পাকিস্তাননি।

অমরোমদা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী ইনক্লুসিব গভর্নমেন্ট অমা শেম্নবা হায়খিবা ৱাফম অদু টালিবাননা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা টালিবাননা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা অতোপ্পনা খুৎ থিংজিনবগী হক লৈতে হায়না টালিবান লুচিংবা মোহামদ মোবিননা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পাকিস্তানগুম অফঘাষ্টিনসু মনিং তম্বা লৈবাক অমনি। মরম অদুনা লৈবাক অসিদা লৈগদবা চৎন-কাংলোনশিং শেমজবগী রাইট টালিবানদা লৈ হায়রি।

হেল্থ সিষ্টেম কন্নবগীদমক য়ু এননা ইমর্জেন্সি ফন্দ থাদোকখ্রে

জেনেভা, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সী) :

লালনা মরম ওইরগা কা হেন্না ফিভম শোকহল্লবা অফঘানিস্তান্দা হৌজিক লৈরিবা হেল্থ ক্যের সিষ্টেম অসি মপুং ফানা কোলাপস তৌদ্রিঙৈদা কলহৌনবগীদমক য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মিলিয়ন দোল্লর ৪৫ ইমর্জেন্সি ফন্দ ওইনা কাইথোকখ্রে হায়রি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী অন্দর সেক্রেটরি ফোর হ্যুমেনিটেরিয়ান এফেয়র্স এন্দ ইমর্জেন্সি রিলিফ কোওর্দিনেটর মার্টিন গ্রিফিথনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, অফঘানিস্তানদা হৌজিক মরুওইনা হিদাক-লাংথক, মেদিকেল সপ্লাইশিং অমসুং থাউ মরাং কায়না লৈশিল্লক্ত্রে। ইকনমিগী ফিভমসু কা হেন্না শোকচিনখিবনা মরম ওইরগা হেল্থ ক্যের ৱার্করশিংগী খুৎশুমল পীথোকপা ঙমদ্রে।

মমাং থাদগী হৌরগা টালিবাননা কাবুল খুদুম চনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী হেল্থ ক্যের সিষ্টেমদা চাওনা অহোংবা লাকখিবনি। তেনখ্রবা মতম অসিদা হোস্পিটালশিংদা লাক্কদবা সপ্লাইশিং লেপখ্রে। ষ্টাফ কয়া থবক্তগী পোথাখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা হোস্পিটাল অয়াম্বা খুন্তাক লানশিদুনা লৈরে। মখা তানা অসিগুম্বা ফিভম অসিদা লৈরবদি লৈবাক অসিগী হেল্থ ক্যের সিষ্টেম কোলাপস তৌখিবা য়ানা লৈ। মসি থোক্তনবা য়ু এননা ইমর্জেন্সি ফন্দ রিলিজ তৌখিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ু এনগী সেন্ত্রেল ইমর্জেন্সি ফন্দদগী তেংবাংগী শেনফমশিং অদু কায়থোকখিবনি। মতাং চানা মালেমগী লৈবাকশিংনা অফঘানিস্তানগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীৎয়েং চংবগী তঙায়ফদবা লৈ।

সেমি শটদাউন তৌবা হৌখ্রে

বৈজিং, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সী) :

চাইনাগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা হার্বিন সিটিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস খরা খঙহৌদনা থেংনখ্রবা মতুং মীওই মিলিয়ন ১০ লৈবা সিটি অদু সেমি শটদাউন তৌবা হৌখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, হায়রিবা সিটি অসিদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদগী হৌরগা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস অমত্তা থেংনদনা লাকখ্রবা মতুং ঙরাং ট্রাভেল হিষ্টরি লৈতবা মীওই ১৬ কোভিদ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনরকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা সিটি অদুদা অথিংবা খরা থম্বা হৌখিবনি। অথিংবা থল্লিবা মতম অসিদা সিটি অসিগী মীওইশিংনা মরম চাদনা য়ুমদগী মপান থোক্তনবা অমদি সিটি অসি থাদোক্তুনা চত্তনবা খঙহল্লক্লি। করিগুম্বা তঙায়ফদনা সিটি অসি থাদোক্তুনা চৎপা তারবদি ভেলিদ ওইবা কোভিদ-১৯ নেগটিব সর্টিফিকেট মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা উৎকদবনি হায়রি। অমদি মতৌ করম্না মীওই ১৬ অসিদা কোভিদ পোজিটিব ওইরকখিবনো হায়বগী মতাংদসু থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

মালেমগী লুচিংবশিংগী মীফমদা টালিবাননা ৱা ঙাংবগী খুদোংচাবা পীনবা হায়জরকখ্রে : য়ু এন

ন্যু য়োর্ক, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সী) :

চয়োলসিগী মনুংদা ন্যু য়োর্কতা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অদুদা টালিবাননা ৱা ঙাংবগী খুদোংচাবা পীনবা হায়জরকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী ৱাঙাংলোয় সুহেল শহিনবু য়ু এনদা অফঘানিস্তানগী এম্বেসেদর ওইহন্নবা নোমিনেট তৌরকখ্রে হায়রি।

টালিবানগী ফোরেন মিনিষ্টর অমির খান মুক্তানিনা য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসতা অইবা চেরোল অমা হীরম অসিগী মতাংদা হায়জখিবনি। লাক্কদৌরিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা ন্যু য়োর্কতা পাঙথোক্কদৌরিবা চহীগী ওইবা জেনরেল এসেমব্লি অদুদা টালিবানবু শরুক য়াহন্নবা হায়জখিবগা লোয়ননা নৌনা শেমখ্রবা টালিবান লৈঙাক অদুবুসু রিকোগনাইজ তৌনবা হায়রকখিবনি।

গুটেরেসকী ৱাঙাংলোয় ফরহান হকনা ফোঙদোকখিবদা, টালিবানগী অনৌবা ফোরেন মিনিষ্টর মুক্তানিনা থারকপা অইবা চেরোল অদুগী মতাংদা খন্ননবগীদমক য়ু এনগী মীওই ৯ না শাবা ক্রিদেন্সিয়েল কম্মিটিদা খঙহনখ্রে। য়ু এনদা হান্নদগী লৈরিবা এম্বেসেদর অসিগী মহুৎ শিন্দোক্লবা হায়রকখিবা ৱাফম অদুনা য়ু এননা খন্থনবগী মতম খরদি লৌরবা য়ানা লৈ। মসি তরায় তরায়না ফিরেপ লৌবা য়াবা ৱাফম নত্তে। মরম অদুনা চাইনা, রসিয়া অমদি য়ু এসসু য়াওরিবা ক্রিদেন্সিয়েল কম্মিটিদা য়েংশিন্নবা খঙহনখিবনি। মরম অদুনা টালিবানবু পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা ৱা ঙাংহনগনি নৎত্রগা ঙাংহল্লোই হায়বগী মতাংদা হায়বা ঙমদ্রি হায়রি।

ট্রুম্পশিং লৌথোকখিবগী ফিরেপ অচুম্বা খোঙথাংনি

ন্যু য়োর্ক, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সী) :

অফঘানিস্তানদগী য়ু এসনা মখোয়গী ট্রুপশিং লৌথোক্লবা লৌখিবা ফিরেপ অদু য়াম্না চুম্বা খোঙথাংনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চহী ২০ গী মতুংদা য়ু এসনা লালগী থৌদোকশিংদগী লাপ্পা লৈবা ঙল্লকখিবা অসি অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়রি।

ৱাফম অসি ন্যু য়োর্কতা পাঙথোক্লিবা ৭৬ শুবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি হৌদোকপগী থৌরমদা প্রসিদেন্ট বাইদেননা ফোঙদোকখিবনি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref. Mutation Case No. 256 of 2021

Heirangkhongjam Hemlata Devi D/o Meghachandra Singh of Leimaram Mamang Leikai. -Applicant

-Vs-

(L) Heirangkhongjam Achou Singh S/o (L) Kshetra Singh of Leimaram Mamang Leikai. -O.P. Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Oinam, dt. 22/09/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ২৮-লৈত্রামগী পাট্টা নম্বর ৩৪/৭৪৩ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১৩৮৫/২৪৮৪ এরিয়া একর ১.৭১ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- S. Budhichandra Singh,
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/0139/23

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

Ref. Mutation Case No. 177/SDC/NBL of 2021

Moirangthem Mamata Devi W/o R.K. Amujao Singh, Lamphel Sanakeithel ... Petitioner

-Vs-

(Late) R.K. Amujao Singh S/o (L) R.K. Bokulsana Singh, Thiyam ... P.O.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 15-Thiyam, Patta No. (i) 30 (Old) 75 (New) (ii) 109 (Old) 244 (New) Dag No. (i) 129 (ii) 67 an area of (i) 0.61 acres (ii) 0.93 acres of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্যু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/0135/23

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. Mutation Case No. 1246/SDC/IW (C) 17/9/2021

Laishram Gopeshwar Singh S/o (L) Tomba Singh of Loklaobung Okram Leikai ..... Petitioner

- Vrs -

(Late) Laishram Tomba Singh S/o (L) Ibochou Singh of Sougaijam Mamang Leikai ..... O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Imphal, The 20-09-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার Laishram Tomba Singh পীং (L) Ibochou Singh সং Sougaijam Mamang Leikai গী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং 48-Singjamei গী অনৌবা পাট্টা নং 600 অরিবা পাট্টা নং 48/351 দাগ নং 160 অমসুং এরিয়ানা .01665 (হেক্টর) চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি মচানিপা অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

HL-P/0130/23

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

Ref. Mutation Case No. 148/SDC/IW/LC of 2021

1) Konjengbam Sorojini Devi W/o (L) K. Brajamani Singh of Langthabal Lep Mayai Leikai.
2) Konjengbam Memamacha Devi W/o Yengkokpam Russia Singh of Nagamapal Singjubung Leirak.
-Petitioners

-Vs-

1) Late Konjengbam Brajamani Singh S/o Angou Singh of Langthabal Lep.
2) Konjengbam Ibohal Singh S/o Nilo Singh of -do-
-Opposite parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Lilong Chajing, the 21st September, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস দি সী লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৬-লংথবাল মন্ত্রিখোংগী অরিবা পাট্টা নং ৩ অনৌবা পাট্টা নং ৪৯ দাগ নং ১৩১ অমসুং ১১৩ এরিয়া মথংশিংনা ০.৭৬০০০ একর, ০.৯৯৯৯৯ একর চাওবা ফৌরেলগী লৌফমশিং অসিদা পাল্লিবা কোঞ্জেংবম ব্রজমনি সিংহ (কো: পাট্টাদার নং ১,৩) পীং অঙৌ সিংহ সাং লংথবাল লেপ অসি মৃ: ওইখ্রবা মরম্না মহাক্কী ফংফম থোকপা শ্যের অদু মথক্তা পল্লিবা পিটিসনরশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা লৌফমশিং অসিগী মরীদা আপ্তি তৌনিংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা নোটিস অসিনা পাউচে অসিদা হাপ্পা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা উক্তা কোর্ট অসিদা আপ্তি তৌরদ্রগদি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/129/23

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

Ref. Mutation Case No. 176/SDC/NBL of 2021

Moirangthem Mamata Devi W/o R.K. Amujao Singh, Lamphel Sanakeithel ... Petitioner

-Vs-

(Late) R.K. Amujao Singh S/o (L) R.K. Bokulsana Singh, Thiyam ... P.O.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 22-9-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 15-Thiyam, Patta No. (i) 27 (Old) 73/549 (New) (ii) 48 (Old) 98/356 (New) Dag No. (i) 340/2496 & 339/2521 (ii) 69 an area of (i) 0.05 & 0.04 acres (ii) 0.25 acres of (i) Ingkhol (ii) Phourel Class হায়রিবা ইংখোল & লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্যু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মফমশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/0135/23

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

Ref. Mutation Case No. 178/SDC/NBL of 2021

Thokchom Prem Singh S/o (Late) Th. Modon Singh, Kabowakching Mamang Leikai ... Petitioner

-Vs-

(Late) Thokchom (O) Ningol Leima W/o (Late) Th. Modon Singh, Kabowakching ... P.O.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 22-9-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 25-Kabowakching, Patta No. 25/338 (Old) 25/133/647 (New) Dag No. 1341 an area of 0.20 acres of Ingkhol Class হায়রিবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্যু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/0135/23

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

Ref. Mutation Case No. 482/SDC/YPK Dated: 22/09/2021

Party : Maibam Gopen Singh S/o (L) Maibam Kulabi Singh of Phoudel Keirambi - Petitioner

-Vrs-

Late Maibam Kullabi Singh S/o (L) Mani Singh of Keirambi - O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Yairipok, the 22/09/2021

নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Yairipok তহশিলগী খুন নং 29-Keirambi পাট্টা নং 39 (O) 66 (N) C.S. Dag No. 223 এরিয়া .1224 হেঃ চাওবা Ingkhol Class অসিগী পাট্টাদার (L) Maibam Kullabi Singh S/o (L) Mani Singh সাং Keirambi মৃত্যু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচানুপা অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা Petitioner অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌররোই, আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Yairipok, Thoubal Dist.

HL-P/0131/23

DHANAMANJURI UNIVERSITY, MANIPUR

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL
D.M. COLLEGE OF ARTS, IMPHAL

ꯆꯪꯁꯤꯟꯕꯒꯤ ꯈꯪꯍꯟꯕ / ADMISSION NOTICE

Dated, the 22nd September, 2021

No. 1/1/Adm/2018-DMCA : In continuation of the earlier order no. *No. 1/1/Adm/2028-DMCA* dated 14th September, 2021, it is hereby notified to all the candidates that the Second Merit List for admission of B.A. 1st Semester (Hons. / Regular or Pass course) for the academic session 2021-22 will be available at the College website *www.dmcarts.ac.in* as Annesure I, II & III.

The **counselling cum admission process of the Second List** will be held on **24th September 2021 in the premises of D.M. College of Arts, Imphal from 10 a.m. to 3 p.m.**

The list of documents to be produced and submitted at the time of counselling cum admission is also available at the college website.

Sd/- Dr. Ch. Sheelaramani
Principal,
D.M. College of Arts, Imphal

HL-P/0132/23

ꯍꯛꯊꯦꯡꯅꯅ ꯆꯪꯁꯤꯟꯕ ꯍꯛꯊꯦꯡꯅꯅ ꯆꯪꯁꯤꯟꯕ

DIRECT ADMISSION 2021-22
MBBS/BDS in India/Abroad
In Top ranking Universities and Institutions

B. Sc. AGRICULTURE
B. Sc. FORESTRY
B. Sc. HORTICULTURE
B. Sc. MLT
B. Sc. MM (MEDICAL MICRO BIOLOGY
B. Sc. OPTOMETRY
BMRIT - (MEDICAL RADIOLOGY & IMAGE TECHNOLOGY
B. Sc. OT - (OPERATION THEATRE TECHNOLOGY)
BPT
DIPLOMA IN DIALYSIS
DIPLOMA IN OPTOMETRY
DIPLOMA IN X-RAY
DMLT
GNM
B. Sc. NURSING
B. Sc. FOOD TECH
B. A. MASS COMMUNICATION & JOURNALISM
BHA (BACHELOR IN HOSPITAL ADMINISTRATION)
BHM
BBA LL.B., BA LL.B.,
ENVIRONMENTAL SCIENCE
FISHERIES SCIENCE
BCOM. HONS.
BBA
B. Sc. MM (MEDICAL MICROBIOLOGY)
B. Sc. IT, B. TECH, BE
B. Sc. NAUTICAL SCIENCE
B. Sc. Hons, ANIMATION & GAMING
B. PHARM, D-PHARM
B. PHARM, LATERAL ENTRY
B. Sc. HONS. PHYSICS
B. Sc. HONS. CHEMISTRY
BA. HONS. ENGLISH/PSYCHOLOGY
BACHELOR IN FASHION DESIGN
BCA, BCA CYBER SECURITY
M. Sc. AGRONOMY
M. Sc. FORESTRY
M. Sc. HORTICULTURE
M. Sc. MLT
M. Sc. SEED SC & TECH
MPT.
M. Sc. EVS
MBA (HR, IB MARKETING, FINANCE)
M. Sc. CHEMISTRY
M. Sc. FOOD TECH
M. Sc. BIOTECHNOLOGY
M. Sc. FOOD NUTRITION DIETETICS
M. Sc. INDUSTRIAL CHEMISTRY
M. Sc. PHARMACEUTICAL CHEMISTRY
M. Sc. PLANT PATHOLOGY
M. Sc. ZOOLOGY
M. Sc. BOTANY
MA. ENGLISH
M. TECH

Sd/- WANGKHEI PUKHRAMBAM LEIRAK
Contact No. - # 7085653886, # 8837454543

HL-P/9512/5/9-3/10 (alt)

ꯀꯣꯃꯦꯠ

COMET

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

ADMISSION OPEN

For

MEDICAL REGULAR COURSE 2021-22

For Admission & details please Visit Our Website :www.cometcoaching.in

☞ Date of Form issue : 13th September, 2021
☞ Last date of form submission : 30th September, 2021
☞ Class commencement from : date to be published in newspapers

Free Studentship available
(Limited seats based on first come first serve basis)

Special Features

☞ Zoom Live Classes for all subjects (Monday to Saturday)
☞ Recorded videos will be provided for all subjects (Monday to Saturday)
☞ Assessment test every Sunday (during pandemic).
☞ If there is any holiday on the day of test, test will be held on the next day.
☞ After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
☞ Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
☞ Study Materials will be provided.

Note: Normal physical classes will be conducted with S.O.P. once permitted by govt. of Manipur.

For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road

HL-B/7175/22,23,25,27

APOLLO ACADEMY

Moulding Medical & Engineering Career

ADMISSION OPEN

Regular Course for Medical (NEET-UG) & Engg.(JEE)-2022

Eligibility - Class XII passed

Class commencement: To be notified later (Offline Class)

DIRECT ADMISSION WITH FREESHIP ON OR BEFORE 30TH SEPT. 2021
* 91% MARKS & ABOVE IN CLASS X-2019 (BOSEM) / CLASS XII - 2021 (COHSEM)
* 95% MARKS & ABOVE IN CLASS X-2019 (CBSE) / CLASS XII - 2021 (CBSE)

DIRECT ADMISSION WITH CONCESSIONAL FEE ON OR BEFORE 30TH SEPT. 2021
* 85% MARKS - BELOW 91% (FEE CONCESSION - 20%)
* 75% MARKS - BELOW 85% (FEE CONCESSION-15%)
* SPECIAL CONCESSION TO ST/PYSICALLY CHALLANGE / MOBC STUDENTS

SPECIAL FEATURES :
* TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
* CHAPTERWISE TEST ON EVERY MONTH
* PRACTICE SESSION ON EACH CLASS
* FOUR MOCK TEST FOR EACH 11 SC. AND 12 SC. NEET SYLLABUS
* ONE MEGA MOCK TEST ON WHOLE SYLLABUS

COVID-19 VACCINATION CERTIFICATE AT LEAST FIRST DOSE IS MANDATORY
LODGING FACILITIES FOR BOYS & GIRLS

FOR DETAILS : PLEASE CONTACT APOLLO OFFICE, NEAR AMUCO OFFICE KWAKEITHEL BAZAR, IMPHAL - 795001

HL-B/7161/16 Sept. to 1st Oct.